খুত্তেকপদুশী শৈরেং



কে: ঈবোতন

খুত্তেকপদুগী শৈরেং

জইবা

কে, ধীরেন

অমল লুপ; ৩'৭৯

অহান্বা কোংবা

মার্চ্চ ৩১, ১৯৭৬

অকোংবা—অইবা

লাইব্রিকসি ওন্নমক অইবগীনি।

নম্কমঃ—খোংনাংথাবা প্রেস, লমলোং কৈথেল। অকোংবা—অইবা

M. S. K. A. না শেল্লুং পিবা

অনুংদা

খুত্তেকপদুগী শৈরেং

খুত্তেকপদুনা ইথি—
শৈরেংবু পাউখোং ওইনা চনখি হিংলিবা কাংবুদ
শকখি অশিবগুম্না মীওইবনা, ভাখি নুঙাইনি থনবদ।

কিশিনা কিরিবা কোঙ্গা থোকপা ঙম্নবা ইরাই লাইনা
খঙনিংবা কাংবুনা পুন্সি হায়রবদু করিনো হিংলিবা
ঐগী বাহৈ ময়াম অসিদা য়েক্নুনা শেমগুম মচুনা শক্তম করা
নঙনা পৃথ্বীদ লৈরে খঙলকপদে ঙসি ফাওবদা হংলক্লিবা বাহংপিং

অনৌবা লাইওং থংদ্রবা লাইনানা নারবা
শিগদবগী ঙাইদুনা লৈরবা চৎনবী য়াওদ্রবা
হকচাং অদুনস্থ হংলম্মী—“ঐবু কৈদৌঙৈ করকবা?”
মদুগী পাউথুম ওইবা য়াত্রা? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপগী শৈরেংদুদ

চেদ য়েকপা পুন্সি ঙাক্তগুম ওইরক্লবা
মীওইবৈ ঈ-ভোংশা কয়ান, ঈশিংন উন মপং ওইখিবগুম
পুন্সি থুদিংমক' সোরোক ময়াইদা থিম্নবা
নুংঙৌগী শক্তম ওইরক্লবদ চৈরোংগুম্ব শরূ পোলাংগী,
মতম'দুদ্দ ভাইবং শেম্নবা, অনৌবা. মী শেম্নবগী
-মন্ত্রগী শ্লোক য়াওরমগদ্রা,য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

চাউখৎপৈ অকনবা নোংলৈ-সুংশিংদ

মীওইবৈ সুংঙাইনবা চৌংগুম্বা ইন্দ্রি ময়াম্বু হুমাংলা পুখৎপ্রবদ।
অকনবা অনৌবা সুংশিনবগী, চিংশিনবগী শক্তি অমা
পৃথ্বীগী চিংশিন্নবা শক্তিদগী শরুক চাম হেন্না শক্তি লৈবনা
চিংশিন্দুনা 'মুক খিনবা ঙমগদগে, 'দুগুম্বা চৌংদুমগ, সুংগী সুংঙাইবা
অনৌবা ফোরমুলা চিংশিন্নবগী শক্তি চাম হেনবা য়াওরমগদ্রা?
য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপচুগী শৈরেংচুদ

নোংদম্বা হায়বা খোয়ুমদো
মীওইবনা ফাদুনা করিগুম্বা, মশাগী মরাইবক মশানা লেপচরফাওবদ
পেন্দবগী থম্মোইদ পান্দুনা লৈরবা মীওইবনা
খাবমথৈ পেনবা য়ানবা পেন্দুনত্ত লৈরবা থুরাই শাবা ঙম্নবা
অনৌবা ঈশ্বরগী মশকপু উগদ্রা? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপগী শৈরেংচুদ

থাজবদগী ঈশ্বর ফংনবা তাম্নরুবা
থাজবা মাংলবা তাইবংপানবগী থম্মোইদ
পিবা ঙম্বা য়েংশি অমুক হেন্না থাজনবা তাইবংদ
মদুমক্কা ঈশ্বরবু মথৎমক্কা ফংবা ঙম্নবা উপায় য়াওব্রা ?
য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপচুগী শৈরেংচুদ

হিংবগী লাংদগী নাস্থোকপা ঙমজদ্রবা
থরাই হাপ্রবা হিংননবা হিংজরিবা
হকচাং অদুদ অমুক্তং তাইবং জগৎকী য়াইফনবা থনবা
থরাই অমা ওইরকপা ঙস্তু, য়েংসি-য়েংউ থুক্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

পেন্দবদগী শিজনিংবা

পেম্নবা হোৎনবগী ফংনিংবা বাখল অমদা 'মুঙাইজরকপা'
পেস্থোকপদগী সমাজদ খোঙফম লৈত্রবা, খুনাম মুৎকদোরবা
মীওইবা সমাজদা চপ মাম্না থম্বা য়ানবা,
থল ওম্বা য়ারমগদ্রা? য়েংসি-য়েংউ থুক্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

লমথুংফম থঙদনা ককঙাওনরিবা, চিরোল খারোল তৌদুনা
মিংচত্তা ঙাওজবা কয়াগী মিংচৎ ফংননবা পাম্বৈ
সুংশিবদা ঙাওজবা কয়াগী সুংশিব ফংনবা পাম্বৈ
পাম্বৈ অমা হেক্তা' মখোয়গী লমথুংফম য়োনবা পাম্বৈ;
পাম্বৈ কয়া য়াওরমগদ্র? য়েংসি-য়েংউ থুক্তেকপদুগী শৈরেংদুদ।

আঃ—
মানা মথুৎ তেকলমদ্রবদি
মানা মথুৎ তেকলমদ্রবদি—।

ঐ হিংলিদঃ

সুমিৎ থোক্লি
থা থোক্লি
থরানমিচাক ঙালি
ঐস্থ হিংলি
সুমিৎ তাখি
থাশি ওইরকখি
অহুবু,—"ঐ হিংলিকো"
চমথ্নরকই খল্লুবদা
হিংত্রমাক্সে অমুক
সমাজসিদ ঐ
রাখল, লৈত্রবা মীওইবদা
মচা-মরাংগী, তাইবংপানবগী
অমা চৎপ্রগা অমা লাকপা
মী কাংলুপ' মাংখিদনবা
হিংখিত্রা
হিংলিত্রা
হিংলকখিগত্রা ?
ঐদি হিংলিমাক্সে
ঐ হিংলিদঃ ।

ইমুং.চুগী রারী

মপাচুনা হায়রম্মী—
ঐগী পাজিন। থনম্বা
পুয়া. পুরান অরিবা
লাইরিক ঙাক্কনি অরিবা।
'চুনা ঙসি ঐনা. শিন্নরম্নীবসি নখোয়দা
মাংহনবা য়াদে! মাংহনবা য়াদে।
মপাচুনা লৈখিদ্রবা মতুংদ
মচাচুন 'মুক কোন্দুনা, লৈহৌরে পুয়াশিং
হংবা লাকখি. লাইরিক ইবা অমা নৈননবা,
পিখিদে মচাচুনা লাইওইরবা পুয়ানি নিংচুনা
লাত্তুনা থমখি, লৈরি ঙসিফাও—
পুয়া লোইরিবা মুপাচু.মশম খাক্কুনা
মখুজিন খাক্কুনা, লৈত্রে পুয়া ময়াদ
ময়ুম পানখিদ্রে, ব্রহ্মচারি চৎত্রে।
মনাও মুপাচুনা পুরক্খি—
মশম তঙ্খাই কক্পি মীতৈ মুপী 'মথক
পুমশুপ শুপখি ইমুংচুদ, মাগী রাখল মথাদ
মনেম্বোক্না কপখি—
য়ু ঙাওখি মুপীচুনা
লাইরিক হৈবা মরাচু, মানা ঙমখি ফজরুবদগী—
পুয়া কোন্দুনা ঙাওরিবা, ময়াম্বুংচু চৎত্রে

শৈরেং/২/৭৬

ঙৈক্ষেংদ—

অস্ত্রোদ—

পুম্না মম্নাম পারুনবা

নোংচুপকী চৎনবী পামজবী,

মম্না মপুম্নোইবন্থু চেনখ্রে—

স্থুপীহুগী ষজবন্থু থুইথখিদনবা হোৎনবদ

ষাদোক তাঞ্জে, ষানোম শেল চারুবদগী

মমাহুনা ইমুংদ

শিহুনা লৈরম্মী মতোমতা—

মচা পোকচবগী মহৈ—

ঙন্তা চাখি হমুবী

প্যাল থাখি, হমুবী— ।।

মায়োক্ক

হাওরৈবী শম্বুবী ওনখি
সুরা শাম্বুলেম্বী, মৈদিঙু থোঙনাওঙম্বগী
সুংশি মশুংলাংগী, অাঃ সুংশিবা! সুংশিদকো!!

লাকখি মীয়াম—
মীয়াম, পৃথ্বীগী কৈরুমশংসিদ
য়োৎহিল্লং থাংদুনা বন্দি ওইনখি অপাম্বদগী।

লাওরক্‌খি,
চিংখৎপিয়ু ঐবু
পুন্যগী কোমসিদগী, লৈজনিংত্রে পৃথ্বীদগী
নতুং ইল্লরুবা, নতুং ইল্লরুবা, চৎমিন্নবা
মসিনা পেন্দবগী য়া ওইরমাল্লে, সমাজসিদ হিংদনবগী।

চাওরবা জগৎকী
পিক্লবা মাগী কাহুদ, মমিৎ পাংন মমঙ মঙখি
কুনশুবা শতাব্দীগী ফোরগ্রেড চম্প্রাসী অমনা
তুংগী মীতৈ জাতিগী, হৌগ্রবা ঐখোয়গী জাতি
ইতিহাস পরিং অমদা মানা উখি—

মৈতৈ অহল অমনা,
মোংয়াম্বা নিংথৌবু কৌরহুনা কপথিবা

লাইরিক ইবা অমনা
    গরীবনিৱাজ মহারাজবু নিন্দা তৌখিবা
চাক্লিবী লুপ্রাবী অমনা
    ভাগ্যচন্দ্রগী খুনাম খিয়দুনা চৎখিবা
মরৈবাক মুংশিজবা অমনা
    ১৯৪৯গী ওক্টোবরগী তাং১৫গী পেন্সাবা
    বোধচন্দ্র মহারাজনা ঈরৈবাকচাগী য়েংবিরমবা ॥

মমঙ মঙবা লোইদ্রিবৈদ
হোদোরকখি মাগী মরুপ্ন।
    লৈবুং ফংদুনা ৱারেম ঙাংদুনা
নৈনখি লুরবা লৈবাকী, পৃথ্বীগী—
    অমদি ময়ুমগী
লমচৎপু খোঙ্গাওনখি, হিংনবগী লানফমদা
    লানঙম ফিরান থেৎলবী লুপ্রাবীদা।
    জীববু য়োকখৎনবা, মীমুংশি য়েন্থোক্লবা
    মচাবু মহৈ তমহল্লী, মাগী হকচাংনা
    নোংমগী অশিৎপা মমন্দা য়োন্দুনা ;

-মাগী মুংশিববু বিশ্বপ্রেমগী মুংশিবনি খন্দুনা
    পাপ-পুন্য খিখিদে,মুঙাইনবা হোৎনবদা
    -মীৎকুপ অমতং মুঙাইবনা, পুন্সিগী মহাওনি খনখি ।

শৈরেং/২/৭৬

মকোক য়াওদ্রবা,
হৌজিক্কী মীয়াম্না—
থাইনগী মল্লবা বোম্মুংগী মতোন্দগী
অমুক ৱাংনা পায়খৎখিদুনা লংজ.গুম্না
য়েংথরকই, "গনতন্ত্র"গী গনতন্ত্র চৎচবা প্রজাদ
ভোট সুমিত্তুংদ ফংজবা গনতন্ত্র-"গনতন্ত্রগী অর্থ ওইনা"

অসিগুম্বা ইতিহাসকী
অশোয়বা কয়াগী মায়োক্ত, মী কয়া মফি শেম্লি
মফি শেম্লি ওরাংদগী, ঙসিসু শেমখিনি, হয়েংসু শেমখিনি ।
আঃ—কৈদৌঙৈ মথৌনাদু উজগদবা ইমিৎসিদ ।
অশোয়বশিংসি চুমথোকখিদুনা, মখোয়শিংসিগী মায়োক্তা
অচুম্বা অমা পুরক্লবা, মফি শেম্লিবদু লোইশিল্লকদবা ?

লম্বাণি মরু

শক্তিবুনি অয়ুক্কি

লাংথলি তঙাংম ফজরবা অতোরগুলাব
বসন্ত কৈথেল, মুংশি কৈথেল
পোশাকরে থম্মোই অরাবা কোজাই
মুংশি নাপ চিয়োল তম্ব তম
    থেৎলৈ, চিরৈ, থুদোলনৈ
    পান্ম্ থুদোল, তথেরৈ মাচোম
    যোল্লাংখাদ, মুংশি মাপদ মশুংলাং ।

থম্মোই শোকপা কমাগী
কায়ন তেংথা তেংথাখোল
থম্মোই শোকপা থম্মোইখোল
হিক্ক-হিক্ক বিকপখোল
    ইশুংলাংগী-মশুংলাংগী
লাংশিল্লবোই অরা মাইথোং
    পেল্লরিনি ।
তাবিবোইয়ে মুংশি রাকথ
    ওক্করিনি ॥

বসন্তদা কেল্লে উনা মচোম তা
ছল্লে য়েল্লিং, তমল্লে লৈশাথ
শিঙেল কয়াগী লৈরাং কয়াগী
কজবী, নিংথিবী; কদায়া কদোমদা?

লেম্নি—
য়েংই. কোয়েং য়েংই
মাইকৈ খুদিং নৈন নৈ
শিনথ্রে শরা শম্না চমম্ববা মৈখু
খঙহৌদে মাইকৈ খুদিং অরা মৈখু;
চম্না হেনবগী ভেংথাখোল শাগী লমচৎ শারমচং
অচৌবনা মচাবু নৈহৎপা, য়ে·হৈত্রে, লৈহৈত্রে তাইবংপান
য়েংথিগত্রা ইমা, 'লি য়োরকাওবদা ॥

নোম নোম শগাই তোং
চান নৈত্তে তথেল থাং
নৈরক অমা শৈশক অমা
নৈকাই খুদিংগী নৈবাকি সেবা
ওইজবা থিবা, মীংচৎ, মৈরা, ভুক্তচৈ
ও! রানা থাংলবিনি ইমা—"য়েংথিত্রা?"

কেন্নবোইয়ে
ইমাগী শমজিরৈ মচোম্ন তা
চৎলবোইয়ে
চাক্লিবীগী ফিজেৎ তম্ন হোং
খন্নিবোইয়ে—
হাম্নবা ইনবা নচাশিংনি লিং

কদায় ।—
পলেম তাংজ কৈরা থর্ক
য়াহিপ্র—
খোয়াং খোমজিন খোয়থুম্ব হুপ
চাউখিবা—
চরৈ নহোং নমদ পো
য়োকশিব—
শারি লবুক্তি মহয় চা
চউমখিবা—

পলেম মাগী কৈরাম্নুং
অঙাং নাউরা ওইরিদৈ
তাদিং জগোই খোঙহৌন
নমাগী ননাৎপু শকখঙহন্
য়োক্লকপা, থাক্লকপা, মিরক তিলহল্লকপা
কাউগ্রবোইয়ে পলেমগী লমনদি—?
লুদ-তোংদ ঈগী ঈচেল কংলবা
থরাই য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংগুম, লেপ্লিবা
উরত্রা সমাজসে ?

হা কৈবু কৈওইবা
ননিং নমাং হেত্রোং হো
নতু লৈম কাং কোক

মপাক [illegible]
নপাকি [illegible]

কংলবা পইরবা ইমাগী মাইথোং
মিৎলূদ পিরাং ঊহৌন ফুইন [illegible]
মাইথোং মকালামদে কাপ্পুং—"[illegible]বা" ।

খোম্মাং লমন শিংথমত্রে ইমাগী
চাইনবুং ওইরে, নতম্বাক্ত

তমখিরবা ঊচেল, ল্যাকপনো কবি লমদগী
মীরানগী তমখিবা, থুমত্রে থারি লবুক
শাত্রে কপোই মুগাইবগী, অরাবা নম্বনা

নঙগী নতম্বাক্ত চাওখিব নচাশিং
কমক-য়েংখিনবগী থাং শৎনদুনা
থাৎলে, শুনরে, মচু তিম্নদবগী—
অসিরা পুক্সি
মিৎকুপ অমত্তগী তাইবংদ

ও! অরাবনি
নচা থূদিংমক্তী মশানা
নঙগী নওম্বাক্ত য়াতাররি, শিরবা ফুংদ
শোক্লমু ইমা কাম্নরবনি, ওইরম্মু মশাদু
ইমাগী নত্তে, লৈবাক্তী য়েংশিনবনি
ইমাগী য়েরবনি, লম্নশি মরু তাক্তনি ।

কপ্পু ইমা !
কপ্পতনা নথৌনি
যুমথোং থূদিং চং, চাক্লিরগনি ॥
শুমাং থূদিং লেপ, কিনিরগনি ॥

শনরেম্বী থোরক্লো

ঈচেল অসিনা পুথন্নি
মীকৌরোল কয়াগী রাজ্ঞী...
তাওথখি নিংথো কয়া, সম জ কয়া
অচুদস্থ মতুনা তাত্তি কয়াস্থ
লৈথাক কয়াস্থ।

'ফুবু খোজেল 'সিমদি লৈহৌখিগনি
অমাং-অতা লৈতনা,সমুক্রুগী কেজোলগুম
ফোংঙমদবশিংগী থম্মোইদ
অইবশিংগী চেনাদ
তাংনিংবশিংগী চিথাম্দ—

শনরেম্বী থোরক্লো
লাই খ্বাক খ্বিগে
মহুম পোন্দি শাবিগে
মীওইবা তাত্তিবু মুৎখিদমবা
মীওইবা তাত্তিবু মুৎখিদনবা—

চীং কয়া নিংথাইপ্রবস্থ
সহর কয়া ভকথাইপ্রবস্থ
চাওথৎপা কয়া ওনপ্রবস্থ—

থাদোক্লবা য়াত্রবা মীওইবনা
চারোল-শুরোল লেপ্তমথৈ—
লাওরি—
লাওরি—
লাওদুনা লৈথিগনি—
শনরেম্মী খোরক্লো
লাই খুবাক খুবিগে ।

মসিবু ফংবনা অহিংবগী পুন্সিনি
মসিবু থাদোকপনা অশিবগী পুন্সিনি ।
অচংবা অশিবা অসিদনি ॥

পুয়া

শুরুনা উম কহেক্লোরে
চহি কয়াই মনুংদা
ওইরে পৃথ্বী ষ্টেজ অমা
একক্ত কয়া খোরক্লুনা
লোইবা নাইত্রবা লিলা তৌরি
পাথংবা ফম্বাল কাগ্রে
বোধচন্দ্র নিংথৌ ওইগ্রে
প্রজাগী মিহুৎনা থজবা
মন্ত্রিনা শাসন তৌগ্রে
মসি পুয়ানি ॥

অশাংবগী ওলি

হে কাবিবা—

মণিপুরী খোইজেনা য়েক্লবা খুল্লাই
অহিংবা লাইরিক পুথা, পুদিন
অচুম্বা ৱায়েন, চীং-তম, মীত্রেবাক
শৈশক্লরোইদকো শৈদম্বা—অৱাবমি !

মিঙাংবনা থিরি, মৈঙ্গান !
কদাইদনো, কদাইদনো মৈঙাম !!
'মুক্ত য়েংজগেনে মৈঙাল !!!

খুরুম্মুসি লাও কোঅ
অশেংবা মৈতৈগী খুভম
'মঙা ঙাইজরবা লাইকম

লেপ্তবা মতম্মা কুমওন্নক্লবদা
অওনবা নুঙ্ঙন ঈশং থাংদ
লেপ্তবা রাখল ঈচেলগুম
হোংলকই খুন্নাই-"মতম্ম"

শকোকপু পাঁসিন্না, মহাভারতপু তাসিন্না
পেনাবু খোংসিন্না, সীতারবু খংসিন্না?

খংদ্রে, ইখুৎসিনা
খোংহনগদবা করিনো?
খোকহনগদবা সুন্নদো ?

মখোলতভু খোক্লবদি খোংলসিন্না
থস্মোই হুবদি ঙম্ম দঃ
কৈদৌরুনি-কৈদৌরুনি-খোংজরোই ।
নোঙথক্ত তিন্নাং শিংলগাঃ
তারকনি ইমাইদা পোপ ।।
থাজত্রে—
হকচিক লাংলুরগে, তুরেল মপান্দ
শান্নবা য়েংলুরগে ঈমাইদা-মেন্নাগী থাখলমা
কাউবা ঙম্নগত্রনে-?
মাগী মৈচাক্তো, মাগী মৈচাক্তো
সুংশিবা । সুংশিবা । সুংশিবা ।।
থনফম থঙত্রে—
"তুমতুনতুম লৈখোক্লগে
চঙক্লরে । চঙক্লরে—
অর্মম্বদা পোৎ থিরুবনা
ফংলন্নোইদকো ফংলন্নোই ।
হো হায়য়ো
হৈ-হা, হো-হায়য়ো
হৈ - হা ।"
করাম বাৎলি লমথুংকম
লাপ্তরে । লাপ্তরে ।। য়োৌরনিদঃ
মাংদ উরিবসিনি—"লমথুংকম" ।

ঋৈকেদোরুগদবমো। মালিনী
ঈশ্বর মাদি লৈরংম্নাই
কদায়দনো—কদায়দনো ?
কনানো—কনানো—লাওয়ন্নিবসে ॥
তাও—তাও—
"থূডম মূৎকদে ঐহাক্কী
শায়োম্নচুনা লাক্লগনি ।"
খায়বায়গী সেরকালাদ
শেলগা মীওইব' ওন্নিবা
কনানা লুম্নবা
লৈহাউ, ঐগী লৈহাউ
শাৎলরে ঐখোয় লৈকোন্দ
চিনিচম্প, কেতকি, জুবাকুসুম
কদায়, "লৈহাউ পাম্বীদি" ?
মীগী ওাক্ত, মীগী ওাক্ত ।
মালং ইচিক থেম্ন্রি—
হৈনম লৈনমগা লোয়নরবা, বসন্তগী অযুক্ত ॥
শাবি লাও লাও; চৎসি লাও
কল্লকপা য়াম্মী. কক্সাওবা য়াম্মী
মাংদ থারো লাও—।

কে-নবদা চোকথরবা হকচাংসে
স্মুংশি মাগী মতম্বাক্ সুতাই তুমথুন হল্লিরৈ
খোম্লেন মঙলান চাদবু—মঙত্রেপ্পরকইদঃ ॥
হায়েদঃ ইমাদি—
খুজেংদগী খাং, খৌরি, কোক
কোরৌ শিংবুম অহুমদং
নত্রবদি ইমাদি—।
মঙফাওনরোনে ইচাশা
ইশুশিংনা হংলরুগা নখোয়বা
পাউখুম পিপনি-কয়ম্না ?—
নোংঙানথ্রবদি, হয়েংদি
ইমাদি,—হয়েংদি.........।

মন্ত্রিগী ডাইরি

ঙসি মন্ত্রি ওইবা স্মুমিৎকী চাকলেন চানৈ,
য়ু গ্লাস থেঙ্গাইনরগা থকচিল্লি, হরাওবৈ
হয়েংদি পার্টিগী মীটিংনি,
হংচিৎতি যাত্রা হমুনি
মশেমদি শঙ্কাবা চৎকনি
মরৌদি টূর প্রোগ্রামনি
মকাকতী—পব্লিক মিটিংদ হা ঙাংগনি
মছিৎতি—বজেৎ সেসন ফমগনি
স্মুমিদাং খুদিংনা অরোনবা কাদ
অমম্বা কাদ, মী উবা য়াদবা থবক
মসিনি মন্ত্রিনা থব্লিবা
লৈবাক্তীদক অচৌবা হাথল
লৈবাক্তীদমক ॥

মাগী পুন্সি

ঐবুদি মীনা শিংথানবিদে
মাবুদি পৃথ্বীনা শোম্নরি
কমদোনা খেমন্নিবনো মীওইবা মশেলদা
মীওইবা ঐখোয় মশেলদ-১গা ১গা।
ঈশিংনা মীওইবগী থম্নাইনি
নুংশিংনা মীওইবগী পুন্সিনি
লৈবাক্লা মীওইবগী হকচাংনি—
অদু ওইরবদ্রি ঐ কনানো?
নঙ কনানো? ম্না কনানো?
কমদোনা খেম্নন্নিবনো ঐ,নঙ,ম্না—।
চাংদ, অরুম অম্নাংদ
বাথন্দ, অনেম-অম্নাংগী
অদুম্না থম্নরবা মীয়াম্না
মদুম্ন ঐম্ন ম্নানিংলবা।
থিরুসি শকহেনবা, নঙগী মিংচম্ন
পৃথ্বীগী মফম থুম্নিন্স
ও!—ঐ কাওথোক্লরে
পুন্সমকসিগী বাংমদা, মাগী পুন্সি।

অরিবা লাইরিক্

অরিবা লায়িক খর
নম্বো পোত্নুনা মুপা অমনা
মকম্থি থাত্নুনা চেল্লকখি
লাম্বোল্লগা লোইরে লরেলগি
হন্না-ভুনা য়েংদে, চুমজ্রিং লরেলহূর ।

লেটেষ্টু মোদেলগী কেইট অমগী
মথক্ত তোংত্নুনা থৌরকপা
ফিলোসোকর অমনা—
তকথৎথিরম্মী মুপা অত্নু, শিরে থূনক্ত
চাইথাইগ্রে লাইরিক মন্নামদো ।
অঙাং খরনা হুপচিল্লক্লুনা
তেলঙ্গা মমৈ পানগনি
হায়ত্নুনা লাইরিক লাক্লরি—
অমনা কন্না চিংথোক্লি
নখোঙ নখৃংনা শোক্তনু. অরুবা লাইরিক ওইরম্মী
য়াদে মচানুপানা, নিঙাই তৌত্নুনা কপ্লি
-তেলঙ্গা মমৈ পান্নবা
থমাজিল্লবদি কান্নগনি
থল্লত্নুনা ফিলোসেফরনা,
লোইনা খোমগত্তনা পুত্রগা, থৌখিরম্মী ।

থম্ব লৈরগা হাম্বনম্বকৃখি-
কিলোসোকরম্ভু ভাওঃঐ
ভাওম্ভুনা চৎত্রে
লাংমেংবা চৎত্রি
"হম্বকখিনি !
করকখিনি ॥
থাজদেণ্ডু হাম্বনরি ।
"খিজিনবদি কৈ, য়াওরমগনি কাম্ববা" ।
মচান্নুপাচ্ছুনা হাম্ববদি
পোৎকমদ থল ওদ্দ্‌বা
য়োম্বোক্লগা লাইরিকশিংছু
য়াওশংগী থরচ ওইননি ॥
লৈত-লাইর ইমুংছুগী বাখল অদু উরগা
হৌদোং অদু ভুমিম্ব। কৈশু থভদনা কম্লিয়ে
হই অচ্ছুনা মপুগী নিংবা কাম্ববচু উরগা
খোংলিয়ে !—কম্লিয়ে ॥
য়ুম্রেঃম্ববগী লৈশাবীচ্ছুনদি
হৌন-হৌন পারক্লি-অথ' কবিস্থ থভদনা
শৈরেং কম্বা থাইনগী অমস্থং হ'জকী ।
হিজন-হিরাও,য়াকৈবা, মীওইবা অমস্থং বাখল
হিংবা অমস্থং মীওইবা,মিংচৎ অমস্থং তুমাই চজিক ।

হজাম য়োনবী মথাক্তুনা
কাযত্রে, তানিংত্রে খঙ্গুনা
থাজনবা মুপা অকবা থিরে ।
লৈকাই অমদগী লৈকাই অমা
সহর ১দগী সহর অমা
খুঙং ১দগী খুঙং অমা
অমমমদগী অহৈ অশিং থরদগী
পাউ থর-থর তাযরক্‌না
"লাকখি, খিরাখি, হংলখি
লাইরিক অরিবত্তু লৈরিত্রা ?

হংগী লাই

মরিংনা শাবা শংবাইবু
নাম হাংব হৌনত্রা ।
মেলাদগী লৈরক্‌ই'—
হংনা শাবা লাই অমা
মতৈ মনাও অনিনা
শিব কিদথৈ শুখি
চাবা রাশুনা শিখি—কোঙেং কোকফাইগুম নোঙ্গনা
কনানসু মথোয়গী পুক্নিগী
বারি অমত্তসু নিংশিংলুদে— ।
হংগী লাইদুদি অহুমক লৈহৌরি
শাহৌরি—
মাগী মচা-মশুনা ।
হংগী লাই ॥

মসিদু হিংলিবনি

তাইবং কাওরক্লে—
ইমাগী মত্তম্বাক্ত' কাকৈ চৎলে
জ্ঞান ভারক্লে—নহা ওইরক্লে—
ঘুমে পালে, মুত্থাইরে—
চানবা খর জানখিলি—পেনখি খরনা

পৃথ্বীগী ঊরাং অমত্তা
ভাদমথৈ লেনখিবা মীওইশিংগী ৱারিশিংসিলি
মুত্থাইবনি পুন্সিগী ৱারিদি

সাইনটিস কয়া, ফিলোসোফর কয়া
সমাজগী খল্লবদা, তুংগী খল্লবদা
ৱাখল খনফম খঙখিদে
লাইরবা প্রজাগীদমক্ত খনবদা
চাবা ফংদবা মীওই কয়াগীদমক্ত
লম্বোইনখি, ত্যাগ তৌখি।

অদুবু, হৃজিকী মতমদদি
খুম্মংগী মী অমগী পুন্সিবনা
হেন্না মমল য়াম্লবা মহিংনি।

মৈত্রবাক্কী সমাজ

সহর ।

হোটেল—"ঐস্তা চা অমতা পিবিয়ু"

অমনা—"ঐস্তা চানবা করি লৈ ?"

ও !—মরুপস্থ লৈবিরম্মী

কৱম কৱম তৌবিরি—

"মহাত্মা গান্ধীগী সত্যগ্রহ

অহিংসানা অথোইবা ধর্ম্মনি ।"

য়াগদৌরিব্রা, ওইগদৌরিব্রা ?

খংদে মরুপ !

মচুগা লালগা কনানা ফগদবগে

খঙদেনে—

ছজিক্কী রাজনিতী কাংবুসিনা

মশা অশাগীত খরি

প্রজাবুনা ফদিগুম্না শুম্মী ।

কৈত্তি কৈতনা,

মিংচৎ, মৈরা, লৈবাক্কী সেবা

নোক্তুম নোক্লিংই, নেতা মচা ওনম্রিবা মরুমশিংসে

থাদোকপি.রা প্রজাসিংবু, হরিবোল লাওনরে ।

সোরোক, লমজাও, সিনিমা হোল—

খঙ্গ্মই পানবা শাবা, ছজিক্কী পাথং-লৈশাবী

ময়ুমদা তলফাওবা লৌরগা চাবশিংগী
মুংশি চিঠী পরেং, খরচ তৌব গুমদবা
মুংশিবশিংগী খম্মোই লাইমন "লাইরবা খমা কাংবুগী"
—ইবেম্মা, রা অসিতদি তাবিখো—
তথি তথি হায়রগা ফেনাংনা কনশিল্লম্মী—
উপায় লৈত্রে "ডেমোক্রেসি"

এ। কনানো চেল্লিবসে
কবিগীনো মকোক্তি ঙনা পুম্নূপ
হান্নারমক্তদা হয়াবে,—শেঙ্গাও লাকত্রে
শেঙ্গাও লাকত্রে, থংলো থংলো।
হাংলো ! হাংলো !! থংলো থংলো !!
কৈথেল মমুং, দোলালি চাবা কাংবু
হঙ্গামপুর্নাসিবু কয়া পিবগে, মখায়—
দর মায়দে 'কলো কাদবগী" "নিংবা কায়রবা পোং লৈবা"
ফিয়োনকম ! সনা লুপা য়োনকম—
লরাই নিপ ডুদ, ফিয়োনবী মোনহাগী মিংচিগী মমল।
ডাক্তরখানা,
পুকচেল চাওবা মিংয়েং
মখোং কোন্দুনা— "ডাক্তর বাবু এগী ইমাদু........"
কৈদৌরবা ? য়ারবদি অমুক্ত লেংলূসি-
লায়েংমল লুপা ২০,কারদা চংকনি,-হিদাক য়াওদনা

স্তরুবিগন্ন ডাক্তর বাবু,
মমা সুংশিজবগী মমিৎতগী পি চঠুম চঠুম
ডাক্তরনা পৈশা সুংশিজবগী মোমোম্নবা মীনোক
ঐদি লাইর মচানি, পৈশা লৈত্রবদি তোক্লেদনা।
ডাক্তর চৎল্রে, অনাবনা মং ম্লোল্রে।

বায়েলশং—
করি কমদোসি হায়বা
উকিলবাবু ঐগী কেশসিদা ঙমহনবিয়ু
পিয়ু হায়বা শেল পিজগনি
মীগাৎপা মীগাৎল্রে, অচুম্বা লানল্রে
জর্জ্জ মমিৎ লোক্তাং তাংলে,
পৈশা, শেলগী অনোবা আনোক
অঙা.বনা অশংবগুম, অমুবনা অঙৌবগুম।
সুমিৎ তাশিন্নক্লে,
য়ু য়োনবা দুকান কয়া হাংদোক্লরক্লে,
অহিংগী কৈথেলদা মকু, শেকপী, অহিংগী হেলোয়
ওক্তবীগী অনোবা দুকান, লমচৎ য়াওনল্রে।
জুরার শায়ফম্
তরাতরেৎ লেপ্তবী, গ্লাস, ছুরি, কু।
রম, ব্রান্দী, মমা লৈবাকী, সেকমাইগী, অল্রোগী কানৈ—

রাখলবু শেরাম্রবা মওংদা
কদায়দা লোশিনগদৌরি পুন্সি
কদোমদা ওসিগী পুন্সি, ঐখোয়গী সমাজ
মৈতৈ সুপিগী মথৌনা লৈবী কয়াগী মথৌনা
ওসিদি আঙাং য়োনবগী কিউদা, সের কাদবা য়াম-আতা
শেল পাইবনা পৈথংখিবনা চৌংদুম কাজিনব্রে
লাইরবন লৈতৌখিবনা কোংকুৎ শাপ্রে, কুৎশিৎ কুৎপ্রে
মতম অসিদা কাম্ররিব্রা,
লাইনিংবগী, কাং চিংবগী, পুজা তৌবগী
সংস্কৃতী খৌরমদা লাইর তাল্লবা মৈতৈ
হরে কৃষ্ণ, হরে রাধে, হজিল্লকপা ওমথিগব্রা
১৬-১৭-১৮ শুবা শতাব্দী, হৌগ্রবা ইতিহাস।

কৈদৌঙৈ খওনরক্কদবা কোম্নুগা

অনিশুবা খোয়োন হাওবগা
লোৎলম্মী চীংনুং অমদা
লোৎলিবা চীংনুংগী মনাদা চৎখি
মশিং খিঙমত্রবা লাম্মী পরেং পরেং
পরেং পরেং লাল শোক্লবা—

(২)

য়াম্না লাপ্পা মফমদগী
হুমকপা নুংশিংনা তাহনখি
ফৌশু ঈশৈ লংনবগী
মকুশিংনা পাইখি, লংভাশিংনা হয়াওখি
শেকপিশিংনা নোকখি, লমহুইশিংনা থাগৎখি
শিক্লাইরেনা তপ্পা কেনখি নোঙাল্লমদাই।

(৩)

অককপা মী মকোক কয়া কয়া,
(কম মুম্নবদগী, থাইনগী মলোমদগী, ল্মালদগী)
শোক্লী ঙশিংগা লোয়নবা ঈগী ঈচেল কয়া
কয়ানা পুথহুনা চেক্তরকখি, মী·মকোক মরাম
নুঙাই মরক, হাওরৈ অথোনবগী ঈচেল— ॥

(৪)

ঊখি লোইনমক

কেকু লোংলিবা খোয়োন হাওবনা
    ঙৈহাক লৈরগা ভাখি
    লাল ওক্ষী খোল্লাও—
ঙৈহাক লৈরগা অমুক তারক্লে
 অঙাং-সুপিশিংগী মীকপ মীরাওখোল
    ইনক নক্লনা পোথানরি
    ধর্ম্ম শন্দোকপা সুপাহু
হাওবনা লৈরিবা ময়াদুদ
সুংশা মপী হোক্লদুনা ।

(৫)

অনিশুবা খোয়োন হাওবদু. অমুক থর চঙশিন্না
মী উদবা চীংসুংদ তপন-তপন চিংশিনখি
মী উদ্রগা লোইরে, মতম বাংলি ঐহাকী ।

অমহাদনি ঐখোয়দি

শল অপুম্বা মানবা মনাজনগী
হকচাং অদুনা লমহাং য়োরক্লবদা
মথুক লাম্বা লংজা, পাইবা ওমব্রবা
চরি ভংলবা লমহুই, খোংব ওমজত্রবা
কয়াদ হরাওনা, মবুক থম্মা চাজরিবা
পাইত্রে লংজাস্থ
খোঙত্রে লমহুইস্থ—
উহল লাংদ থুরিবা, মখোঙ নামা হাওগন্তুনা
পাম্বা কৈশাল অদুনা খল্লকখি অস্থম্মা
হিংবৈঙদি, হিংবৈঙনি—
শিরবদি ঐহাকপুস্থ
শিরবদি ঐহাকপুস্থ—
হাওবান শজিগী শদোং, ঐনা লাক্কনা চাখিবা—
কৈ অদু হাৎত্রে, খুল পুম্বা হাত্তোকত্রে।
ওক-য়েন মখৈদি,
অস্থম্মা খল্লি মখোয়না
অমহাদনি ঐখোয়দি—
করিগু লৈতে হরাওনিঙাই
মীগীদমক্ত পোকপিরকপনি, ঐগীদমক্ত পোকচদে ॥

অচ্রোগী মৈ

হিংলুগে লাকপা অমতা
শিদনা কনখিবা য়াওখিদে
অদুবু দাবীদি তারম্মী—"হিংবগী মরম
চাওখৎপৈ
ইথোমক পুখাইজবা
মীয়ামগী হিংজবা ॥"

কনাগুম্বগীসু—(দাবীদি)
শাবি লাও লাও চৎসি লাও
কনকপা য়াম্মী, কপ্পাওবা য়াম্মী,
মাংদ থারো লাও।
মসিগীদমক অচৌবা অফিসার ওই
নৈবাক থাকই, হিংই
থবক শুই, শেল তান্নি।
মীংচৎকীদমক "হিংনা শি"

নোংম নোংমগী হৌদ্রে
মীয়ামগী অহোংবা হোংদবা পুন্না
মতম্‌। সমাজনা। চৎনবিনা
অদুবু চাক্লি অচ্রোগী মৈ, মৈশুম্বা শুসিকাও ॥

হুমিং উত্রবদা, মঙাল অমৈদ

(১)

মমা লক্ষা ৮৪ দগী
থোক্লকপা জীব মম্বাম্বা
থিরি মাগী মাগী
খল্লি ঐগী ঐগী ।
সংসার অসি মসিনি
মকম অসি নত্তবা ॥

(২)

ঙসি ফাওবা চৎলি মহাক
নুংগী যুগকী মী'দো চৎখিগনি ॥
করিগুম্বা—
মাবু ফংত্রবদি মকম' সিদ
ভারমগনি মাগী খুনাম
নুংগী যুগকী মীগী খুনাম ॥

(৩)

ইতিহাসনি লৈহৌগদবা
মীওইবদনি মাংখিগদবা (করিগুম্বা শককম ওনখিদ্রনা)
অনৌবা শক্তমগীদমক; অনৌবা
মতম অত্তদদি;
ৱারী ওইগ্রগনি ইতিহাসনা—

(৪)

পূম্নমকসি ঈশ্বরগী থুজিমি
শোনসি ঐখোয় মনাম
শকশি মাগী লাইশোন ঈশৈ
থুরুমসি—" হে ঈশ্বর "
চাবগা কিজেৎকা থাদবিরকউ, শুপ্রবস্থু
ঐখোয় নঙগী ঈশৈদ " শুজবা ওমজল্লে
নোমজবা ওমজল্লে ॥ "

নঙগী লাইশং কৎচগে
লাইশংদ জগোই শাজগে
জয় ! ইমা লৈবাক মণিপুর
পৃথ্বী মালেমদা " মণিপুর " থঙহনসে

(৫)

চহি লিশিং কয়াই মমাংদ
হিংলম্মী অমথক (জগৎ শেম্বা ওম্বা)
চহি লিশিং কয়াগী মতুংদ
হিংলম্মী মীয়াম ॥
মসিনা রাজ্‌ল লৈবশিংগী
থম্মোইগী কাচিন্দ লৈজবনি
মশাম হোৌদবা ক্লাংবুগী ॥

(৬)

চহি নিশিং কয়া—

কয়াই— মতুংদদি

সুমিৎকী মশক উবরোই

হিমালয়দে উম কংব্রগদি

পৃথ্বীদা জীব লৈবরোই

অদুবু,

গ্রহ কয়াদদি জীব লৈখিদি

(অনৌবা থংইনা পোক্লমদাইদা)

অনৌবা সাইন্তিষ্ট

অহাংবা নৈনবা অমনা

হাথলমা,

ওমথৈ লৈতবা ১দা মাহুনা কাথংগ্রগা

মাহুনা কাথংগ্রগা

খোম্বাং মৈনা লাওরক্লি

ইতুং ইল্লকউ

লৈকম লৈরে—ইতুং ইল্লকউ

লৈকম লৈরে॥

ও !

লমহুই মতৌ তমহুনা
ইরি য়োং কাংবুনা
অনৌবা কবিতা কয়া
সিম্বোলিজমগী, পেন্সনগী
মচু শঙলি, সমাজগী মুক্তি চানবা
অমুবা খোঙজা, য়োং মানবা মকোক্তুগীঃ
মখোয়না য়েক্লি,
মখোয়-মখোয়গী লাইরিক
মমল য়ামজরবা মীতৈ মুপীবু
মমল য়াওদ্রবা, লমচৎ য়াওদ্রবা পুন্সি ১ ওইনা
হায়রুরগা—
ফিংবা হায়বসি লানফমনি
চাবা হায়বসি ফিংননবনি
হিংবগী শিংমবা জ্ঞানফমদা
লমচত্তি হায়রুস্তু, লৈজবা পুস্বা য়োনগদবনি ।
লমৎচত্তি হায়রুস্তু. লৈজবা পুস্বা য়োনগদবনি
কাওদ্রমাল্লে মপা-মপুগী য়ারী—
মীগী তুঙ্গচবা: লমচৎনা য়েকশিনবীবদগী খোৎনরিবা
করম্বা য়োংগী উপন্যাস, কবিতা ১ দি য়ারেংনো ?—

থুগাইবতমক মহৈবা
মূর্তি শাবদি ঙমদবা
করম্বা ?—
লাই শাবা য়োংয়াম কাংবু
লাই শাবা য়োংয়াম কাংবু
মখোয় 'সিনি সামাজবু শেমগৎলিবা
সমাজবু শেমগৎলিবা
সামাজ শেমগৎপা মাল্লিবা
য়োং তাৎতোবা হায়বদো
য়োং তাৎতোবা হায়বদো ।
খিৎ তোক্লো মীতৈ লৈম
করিগী কপ্পি ।
মীরান খাংবদগী লমজা পূহ্না
পোক্লকপা মচা কাংবুরা
হায়রৈনি নঙ নতাশিংলা
য়ুম্লেপ-য়ুম্বান চাবা
নঙগী তিন্নজবা কাংবুনা

থরোই অহাম্বা

অচুম্বগী য়ুম্ফম ওইবা গান্ধীজীগী
লাইরিক অমা পারিঙৈদ
ঐগী মুপীনা
সনাগী লিক, সনাগী থুজি
ঙসিগী য়েক্লাং হোরেলগীদি
ইমুংগী হন্নবগী অমাবগী হিদাক
লায়েংনবা পৈশা, ইমুংগী দাবী
চাউরবা অর্থনিতিগী থেসিস অমা
ঐখোয় ইমুংগী পুশিল্লকখি
ঐ ঙাওখি—
ঙাওবা নত্তুমাল্লা, লৈতবনি
নিংশিংলকখি—
মানোম্নবা মুপাদুগী শেল—
নাম্বরক্তুনা তারকখি
ফত্রাংদ থেৎলিবা ঐহাক্কী
"নহা" ওইরিঙৈগী মীরাং থুরবা
ফোটো অদু খঙহৌদনা
মিত্তুৎখোংদ য়েংখোক্খি
থেংনখি—
উখি—

ময়াংকংলবা গাড়ী শলদুদ
শাখিনা ফুবিখিবা মপুদুনা
মাল চিংত্রে হায়দুনা
ঐ তাখি,
উখি,
করিস্থ ভৌবা ঙম্মুদে
কয়গা মীশুংশি পোকপা নত্তুনা
য়াল খড়ৌদগী য়ৈরকখি
মাপল মথায়, মাপল মথায়
ঈরুজবা নংখিদে
অফিসতা অদুম চৎখি।
অসুয়া অসুম হিংবা মীওইবশিংসে
নিউজ পেপরগী লামায়দা
য়োংকোক, হুইকোক
গধামকোক, থেবমকোক
পান্দুনা য়েক্লকখি কারতুন য়েকপদুনা
মসিনি পুন্সি তিংকাকোক॥

পংথহল্লম্মী

পারি,
অঙাংহুনা লাইরিক অমা
বাংলবা অধ্যাত্মীক্কা থল্লবা—"গীতা"
শক্তি ঈশৈ শর্জেনহাহুনা
সুরবা রাগ ভৈরবী—

তপ্পা হায়রকখি নাকোংদ
করিগীদমক্তা হিংবিরিবনো ?
খুম্নকখি—মহুদি থল্লুদেনা

করিগী ?
চৎখিবসিদি মুপা অমা থাদোক্কুনা

উচৈকগী মহাওদা, ফজবা মুপিদা
লৈনি, হিংবগী, অর্থ শোয়দনা
থৌরি য়ান্দনা শিরম্মীবা মুপাহুদি
অপংবা তারে, লৌনম খঙদবনিনা
অহুবু মা-মা ! ঐ-ঐ !—
খোঙথাং খুদিংদ
বাখল খুদিংদ, মীওইবগী শান্তি

শল রাইনবদা শেল থানরি
খুম্নু তুনকমদা শাওনরি
মখা খল্ল শাংখনা
'মুক চৎলগা য়েংলুবদা
থেংনরুই—
পেনা শকপা অমখক্লা
খুল্লং ঔশৈ শকপদা ॥
ভাবা লাক্লিব। ভাবোক্তুনা
মকোক ঙাওদুনা ঙখোক্লম্মী।
মমিৎ চোৎপী হম্নুবীদুনদি
লৈশারিবৈঙ রাকম নিংশিংলুরগা
ইল্লিবা কি থাদোক্লম্মী
কম্নাদ পামজনা তৌগ্রবা
থাগী তলব.
নোংমগী খরচ
বীড়ী মচৈ অমগী দম।
বজেৎ।
চাগা—চাদিং
খঙ:তোদনা অনাবা 'মা ম্লাওরক্পদ,
মাংগী খোঙজেল লেপ্তুনা
তুংগী খোঙকমদা হল্লকই—
মুম্ন ফিলাম—

কস; লোইয়েদনা ঙসি—
ইতোমতনা—
অঙাং মমা,অঙাং মরি
ইমা-ইপা অশোনবা
থাকপা ঙম্নরোই লোইরে !
মখোয়সু মখোয়না থোকপা
ঐসু ঐনা থোকপা
ওইগ্রনি ঙসিদগী বাল্মীকি
থল্লহুনা পংথহল্লম্মী—
কজরবা লিক্লীগী অহাওবা মণিকুন্তল
মুঙাইবগী লান তাদবা মিৎকুপ
লৈতবগী অয়াবা মিৎকুপ
কায়দবা ময়াম নৈনবগী মিৎকুপ
পূম্নমকসি ঐখোয়না য়ানা
ঐখোয় ইশাবু পংথহল্লম্মী—
ইশানা ইশাবু
মীনা মীবু ।

ফংলকপা মীংচৎ

সহর অমদগী সহর অমা
লৈকাই অমদগী লৈকাই অমা
অসুম্না মী কয়ানা
অসুম্না মী কয়ানা
মাগী মমিং, ঐগী ইমিং
মাগী মমিং, ঐগী ইমিং
ইমিং 'সিদং লৈহৌনবা
মমিং 'দুদং থমহৌনবা
চারি মীগী শদোং মীনা
ওৎলি, মীবু শাগুম মীনা
অসুম্না ওম্বা মীওনা
ওইখি লৈবাক্কী নিংথৌরেল ।

মসি কাওবদা খাংলি, থাজবা অমগী মথাদ
হে থাজবা নঙণী কান্নবা করিনো ?
মীগ মীওগী মরক্ত খেন্নরিবসিনা করিনো ?
খেন্নবা মান্নবা করিনো ?
অচুম্ব অরানবা করিনো ?

অমত্তুম্ব থওদে

পূম্নমক্কী বাংমদা খিরি ঐখোয় ঐখোয়না
ঐখোয়গী মীংচৎ মীবু ওৎ-নৈহুনা।

মীবু মীওইনা য়েংবা ওমদবা
ওসি কাওবগী ৱারীনি, মসিনা মিংচুৎ তানরগী
মীওইবনা পান্নী মীংচৎতো, তাইবং পুানর 'সির
হৌখিবা ইতিহাস থিরুদে, ওইরকপা অদুত মথানৈ
অওকপনি মীওইবা। মীবু মীনা থন্নরিবা
অমবু মন্নান্না থাজরিবা
মন্নামদা অমনা থৌদাররিবা।

খোঙচৎ অমা

থঙদে কনা চৎথ্রবা ঐগী মাংদ
থঙদে কনা লাকদবা, ঐগী তুংদ
মহুম অমা মশারুই
নোংলৈ সুংশিৎ মরাক্তই
য়ৌগে থল্লুই ঐহাক্না
সুমিৎ তাত্রিদৈঙ মকমতুদ
সুমিৎ তাবনা মহানথি
লাওরুই ঐনা—"ঐগী লম্বেল"
ঐগী খোঙচৎ-
কনামত্তা চোংথোরক্তে চৎমিন্নবা ঐগা
লেপখি ঐ অহুমক লেপ্লুনা
কনাগুম্ব "অমা" তাইহুনা
লম্মাংনরবা মকম অসিদ॥

বাশক

মণিপুর ইতিহাসকী চমম্ববা মতমনি
শামাম্নবা লৈবাক কয়ানা, "স্টেটহুদ" ফংনখ্রবা মতমদা
মণিপুর প্রজা পুম্বনা নিঙাইদনা লৈথোকখি
নোংমগী চরাগীদমক্ত, মাগী সুপিগী সনা খুজিগীদমক্ত।

"স্টেটহুদ" পাম্ন থম্মই কাইরবা নেতা কয়ানা
মণিপুরগী কাচন-কোয়া থুংনা, তুম্বা থুগাইদুনা—
"সুংশিজরবা ইমা ইবেল' দেশ বাসি পুম্নমক—
হয়েং অসিদ দিন-তম হৈজাক্তুং মাংনিদুনা লাকপিয়ু
ছুকান পুম্নমক থোঙ লোনবিয়ু, কৈথেল কাবিয়ু
ঐখোয় পুম্নমক পুম্না চংমিন্নদুনা ষ্টেটহুদ ভানসি"

সুমিৎ অদুমক্তি, কাংজবুংদ—
শগোলমাংদগী, ককচিংদগী, মণিপুর প্রজা অয়াম্বনা
স্টেটহুদ ভানবদা, ইম্ফাল সহর য়েংননবগী—
অনকপনা মখোংনা, অরাপ্পদগীনা বসনা
থাবলনা শেগাক কাম্নরবা মতমদা
ককচেং কোকচাওবীনা মরি-মরি চৎপগুম—
খুরাই, থাই, য়াইস্কুল, বাংখৈদগী নেতাশিংনা লমজিংদুনা
কংগ্রেস, কম্যুনিষ্ট, সোসিয়েলিষ্ট
লৈকায় পার্টী কয়া কয়ানা
সভা যাত্রা চৎখি, মীয়ামদা খঙহনখি—

লাওনখি
খোওখি
নিলওলখি
তাহংখি—

স্কৈটহন— পীগদবনি
ঐখোয়ৰী দাবী—স্কৈটহন — —

কাংকৈবুংগী ময়াইদা শারিবা
মেতা কয়াগী বা তাংকম,
মীয়াম্না উনবা শাবা শগাইদুন—বাংখহনা
চিয়ারমেম শুফে, সতাংপতি কমগ্রে,—
দোল থুদিংমকী কিয়ালনা, অতিয়া খেংনা শাইগ্রে
সিংআরংপিং কাংবুমু মখুৎতা চৈ অমমম পাইগ্রে
বাং তুপী উপগ্রে
তিঅর গ্যাস খোরাংগ্রে
মেজিস্ট্রেট তৈয়ারিদ লৈগ্রে
ওরদর পীগর্দবদি চাইগ্রে।
মেতানা কার হায়গ্রে
তাগদবগী প্রজা তাইগ্রে।

মেতা কয়ামা তাংগ্রে
অয়াবনা মায়না হায়গ্রে—।
"ঈরৈবাক্তীদমক্ত থবাই থান্দোক্তদি
স্কৈটহন কংননবা তাবগদি।"

চৈরক অসিদা—

অঙাং লমহেনবনা, থোম্ব মহুম খিনগাইরুবগুম
সিঃঅারঃপিঃ গী খাং তুপাংগা-সোম্বোকী নুংগা
চৈতুপকা মনজনগা, বুটকা মরাইবকা
ভিয়ার গ্যাসকা, ভিহ্লো মরুগা
নোংমৈ ঃ রুগা, মরোল লৈজত্রবা মীপা
লথা-লখা মূরুরকই, গলী গলীদা
কাচিন-কাচিন্দ, লমহাং লমহাংদ—

মেতা অয়াম্বা মরৈবাকীদমক্ থনবা
হাঙাং চকু হন্দোক্কনা শগাইদগী চোংথহুনা চেনখি—
থবাই হিংলগা লোইরে থন
মখোয়না শগাই মথক্ক ভোংহুনা প্রজা মীয়ামম্বা বাশরুখগী
মরাল লৈজত্রবা মুপী অঙাংনা মংদা পোথাখি—
মরাম্নবক ফবা, অন্দোলন্দা লৈখিদবা
মুপি অঙাং কয়া, "সহিদ" কাখি
মণিপুর প্রজানা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি
পি শিন্থখি—
নেভাগী শগাই মথক্কগী বাশকীদমক
মণিপুর প্রজানা পি শিংখি
নেভাগী বাশক্কিদমক
পি শিংখি
মরাল লৈজদবা মী শিখি ।

কাম্বদে, খল্লগুমসি 'মত্তা

ঐখোয়ন চীংখাদ লেপ্তনা লাওরুই
চাওখৎপৈ চীংদোন্দ লেপ্লিবা অমদা
হে চাওখৎপৈ মীওই, সভ্য জগৎকী মীওই।

তাঙা 'সিদা—
লায়েকপড়ুনা ঐঙোন্দা লানশিল্লকখি
চমন্নবা সমাজগী অয়েকপা শক্তম অমা
মৈথুপা মৈগা তিন্নবা, মৈরিকপীদগী মৈজাওবী।
চমন্নবা অনিগী মরম খঙহৌদনা ফমথখি ॥

তাঙাসিদা—
চংশিল্লক্তুনা কানি চাবড়ুনা চিরোইল্লে—
নাকোংদ ভুমিল্লা—
মনাৎ য়াওত্রবা তাইবং
অচুম্ব লৈত্রবা মালেম
ধর্ম্ম য়াওত্রবা সংসার
অসুম্না চাওখৎপবু পাম্নীত্রা?
খল্লু, অমত্তা, খল্লু—তুম্ম
কানিসি থকচিল্লগা পংবমদৈ
কাম্বদে খল্লগুমসি অমত্তা—খম্মোই মম্নবনি।

লমহুই মাহেবগী শাসন

কুদগী হৌগৎলকপদা চাইরিবা
অশোনবা মাহেবা লমহুই অচুবা
শামুগণা. কৈ, শওম, য়োংতাও মরক্তা
রায়েল কাপ্পি লাকুনা, সিংহাসন ফম্রি—
মায়ক-শিংলক, লোক-তাই
চীং-মান্নগী উচু-বাচু শেত্তুনা লাক্লগা—
লৈবাক নিংথৌ শেম্লগা, রায়েল শাসন তৌবা উবদা
ত্রম্বানা মকোক হাপচিনগে থম্মুনা
শদ্নি হানবা মকোক থম
লাইগী মকোক ওইবা থম
থম পুরক্তুনা
খুৎহৈবা মিসত্রি পুরক্লুনা লাকখি।
লাইগী. মকোক্তি হাপ্লমন্ত্রে
শদ্নি হানবা মকোক হাপ্লম্লগা
লেংদ্রে ত্রম্বা থর্দা—
হয়াওনরে, চোংথে মীয়াম—
মকোক হাওনরে হায়দুনা, অদুবু রায়েন শাসনদি
অচুমক তৌরি কুদগী হৌগৎলকপা
লমহুই নাহেবা অচুনা।

পুথিবি ঐবু মামা পৃথিবীদগী

পুথিবি ঐবু মামা
পৃথীদগী মকম অহুদ

ত ইবংদসু মওদসু ঐনা উত্রিব
মাখলদস্থ খমোইদসু করিগুম্বা কাওত্রিবা
মকম অহুদনি, মামা পুথিবা
মকম, অহুদনি, ঐনা য়েংশিবা।
সনাগী সহর, সনাগী লমান
সনাগী লৈবাক, সনাগী খাবল ॥
পুথিবি ঐবু মামা, পৃথীদগী মকম অহুদ ॥

হজিক্তী ঐথোর তুমথরে
হজিক্তি ঐথোম তুমথরে
কা অহুদ মাবু ঐনা খনম্বা
তুমথখি ইভোম্ব চাংয়েংনি খম
পুম্পি চাংয়েং অমনি ঈল
চুংশিবদি লৈ মতম তুম্বদা
য়েক্লবদি লৈতে মতম খুদিংদ
ঐবু লমজিংবিখি অমুক্তা অমোম্বা
লম্বী অমদা মামা পুংশম্বহুনা।

ঐনা খঙনিংবা য়াহংগী পাউখুম
তশুনা পিখি, হংত্রিবৈদ পাউখুম
ঐনা খংনিংবা পামজবা পাউখুম
অনৌবা শ্না লৈবাক্কী য়ায়ীগা।
চুশিনখি ঐগী য়াখল মতমগা।

খোঙনা চন্দে ঐখোয়না
তহাল্লবা খোঙকয়রগী ঐখোয় অনি
'চুমক লেপ্পনা চঙলি ঙসিল্লাও

হে তাইবংপ্রান—
য়েংলকউ নখোয়না ঐবু
ঊখিদি নখোয়না ঐবু
মকম !ংদিদা
লৈচিনগী দোলাইদা ত্তোংফনা
চহি চা কয়াদগী লৈরম্লবা মকমসিদ
হোৎনরকউ—
হোৎনরকুই, ঐদি কয়ারক্,
পৃথীদগী মকম অহুদ্ পুথিবা
মানা ঐবু কুয়ারক হয়া, হয়া হয়া কয়ারক্।

সাহিত্যগী মতম

মতম শেংখি
অহৈ-অপা শাবা কুচিক থম,
অনৌবা কবিগী মথুজিন 'তরাদা
কতাইহনা ঐ থকখি, ঐ থুজোক থুজোক
পেয়া থকচিনখি—ঐ থুজোক থুজোক

থম লৈরগা থবরদা থেংনখি-
মীগীনা ঐগী ওইথোকপা
কবিগী মতম লিংলবা বাখল বাইবা পথা থম
সাহিত্য বিপ্লবী থমনা বাহৈগী লোংমৈ কাপশিন্দুনা
মশা কাওবা থিব 'থজনা হাংখিবা

মতম অদুদ লাওরকখি
অদুবু পাউ অমনা—
মৈতৈ লৈবাক শিনবা থুংনা
তাববা তাহৌরো, তাহৌবন্দ থণ্ডহৌরো
পোকপ্রবনি মাঙ্বাজি, খোঙনাং থাবা,
কোনোক থেন্দ্রা, অমুক হন্না
মপোক অমা অমুক হন্না।

সন্থোং অনি :—

ওরাং ওসি হয়েংনা কোয়শিল্লিবা
মতমগী মীরোলনা চৎখি
হয়েংগী থাজবা কংদনবা
কোয়শিল্লিবনি পরোল পরোল
পিক্লবা [illegible] [illegible] [illegible]
পৃথিবী [illegible] [illegible]
কুমথরকখি [illegible] পৃথ্বী [illegible]
মী [illegible]
হৌখি ইতিহাসনা ইতিহাস [illegible]
নিংথৌরোল [illegible]
ভাগ্যরকখি মীওইবনা মীওইবা [illegible]
[illegible] [illegible]
খাংখৎখি লৈচিলনা লৈচিল ভম্ব।—
[illegible]

অদুবু ঊরোলশুদ্ধ ঊরোলশুদে
লৈরোল [illegible] লৈরোল [illegible]
কাওগ্র লৈরোল লিশিং লিশিং
মশিং থিংডমদবা লিশিং লিশিং

সচ্ছ্য যুগকী বাবীদা
থরাই মঙা পানবা মীনা
অচুম্বা ময়াই পান্দুনা হিংলম্মী
মশা অনি পাললম্মী
মরোল তরামরি কোয়নবা।
লম্লোংদ লেপ্তুনা কদোমদা কদাইদা ?
কদোমদা কদাইদা ?
তথকপা মিৎমেংনা মাইকৈ লেপ্লবা লাক্লরি
লমথুংকম স্নৌনবা লম্বেল।
লমথুংকম স্নৌনবা লম্বেল॥
মপুক্লিংনা চংশিনবন্দনা মশানা চৎলু ম্যাদবা
মশানা চৎনিংবদনা মশানা থললু ঙমদবা।
লম্বেলদা লাইদৌনা ভৌরবা মীওইনা
মি কয়াগী বাথল ওইহনখি
মি কয়াগী বাথল ওইহনখি॥

অসুম্না, অসুম-অসুম, অসুম অসুম
চারোল শুথাং লিশিং লথা৷ৈরেনা
অসুম-অসুম অতৎপা৷ৈলেতনা লৈরক্লবাক্লিনা
ঙসিদি পাথংবা ফম্বাল কারে
তাইবং পুম্বা হবাওরে

মথৌবুংদ
মাকাবুংদ ॥

'তুবু, লেম্পাদি থক লৈতে
কোয়শিল্‌লক্লম্মী পল্লোন পল্লোন
অসুম্না অসুম থর-থর, থর-থর
মাইকৈ পুম্বদৈ থর-থর, থর-থর
পৃথ্বীদগী পৃথ্বী তম্না খুন্দ্রাব্রবা
মীয়ামময়ামতুনা চপশিনক্লীবগী ময়ক
পুন্সি 'সিগী লাম্মী ওইতুনা চোংথোরকথি।
শেম শাখি লাম্মী, তেঙ্গোন-তেঙ্গোন
লাম্হেংননবা 'পান' গী কাংবু অসিবু।—
তাঞ্জাসিদা থৌনা হাপকৎলুকই
অকনবা নোংশাগী লাল্‌লাওদা
অনৌবা নোংপোক পাম্হোইবীনা
চংশিল্লু-য়'ল্লু
পোকপদৈ শিজয়ক্লবা মী হাৎলু—।
অতুবু—
কলি যুগকী অয়োইবা কুমজা চংলক্লবদা
অহিংবা
থরাই ময়িনা শাবা মীতুদি
খাক্লম্মু, অনৌবা চারোল-শুরোলগী
তাইবংগী লিচৎ মাংদনবা, তাইবংগী।

লাল্লাও-খোল্লাও [illegible]

শেম শাদুনা লাম্মী [illegible] চেনশিনখি
অনৌবা থৌনাগা, [illegible]
শিননবগী হিংবা [illegible]
চোংশিন্নি য়াল্লি, [illegible]
শিজরবা মী হাৎলুবদগী
মরাই 'কারক্লবা লমহৈনা চিক্কনা' হুই অঙাওবগুম
কোয়চেল চৌল্লি, মনিং ভমলে 'হায়দুনা লাও-খোংদুনা
তেঙ্গোল' মন্নামদুনা লাওখি, নিং-ভমলে হজিক্কী
নিং ভমলে হজিক্কী ॥

অহুবু খাগাল্লি চেকপলনা পল্লেনি-পল্লোল
থারিবা পল্লোন্দা তেঙ্গোল [illegible]
অমম্বা অহিংদা [illegible]
হৌনদুনা মখোয় [illegible]
হৌনদুনা মখোয় থর
অহুম্ পুন্নমক [illegible]
মাইকৈ অমত্তদা চৎপা য়ারমত্রে
[illegible]
চেকপলনা চেকশিন্না বাংনা চাওনা
কাখৎকে চেন্থোকে [illegible]
কাখৎকে [illegible]
মাক্লবদা [illegible]

চেকপলচুদ লকাং চায়মবা
অহকপা অশাবা মূর্তি কম্বা
খঙবা ঙমখিদ্রে, লাকশিনবা ঙমখিদে
কনানা করিনো হায়বা তেঙ্গোলচুগী মরক্তা
কনা অমত্তনস্থ তাংদাংবা মশক, ভশেংবা ॥
অসুম্বা লৈরিক্তৈগী তাক্লক্তা
থাশি নিনি হাৎলীক্তৈগী থাবল মঙাম্না
মঙালনা লানবলচুদ পুমঙাল ঙাম ফাওজিন্নকখি—
অমম্বা পুম্নমক কোকহন্দ্রনা অমম্বা
থাবল মঙালনা য়েচুনা অমম্বা ॥
অসুম্বা অসুম য়েংখিবদা থেংনখি
মাইকৈ অমনা অমুকস্থ—
ফাওরবা টানস্নেনগী হৈশেগী সুর খোঙেলবু
মফম অচুদ পৈশিন্দ্রনা থনম্বা
মাইকৈ অমদনা—
লাই কোটি ৩৩, বুদ্ধদেব, যীশু, কৃষ্ণ
মাইকৈ অমদনা—
হেজ্রনহা, থোইবী, নোংমাই পেঙঙা
অমত্তস্থ ককাইবা ঙমদ্রে;
অমত্তস্থ কিস্থবা ঙমদ্রে;
খর মখৈনা ঙসাইদগী
লানবন্দ্রদগী চেস্থোকখিনবা ল্যাক্লবদা

চোকথরবা মশাশিংহু থাবলগী মঙালগা
মোঙালমদাই সুংশিৎলা য়ৈবদা
ফুমথুল হলি সুঙাইনা, ফুমথুল হলি সুঙাইনা
হোৎনবগী মহৈ য়াত্রবা
হকচাং অহুনা লোংনা ভা—
অমথক্তংদি চোকথরবা মশানা
মনা য়াওত্রবা উ-পাম্বী অমগী মশাদ
ঙাথহুনা য়েংলি, থাবল মঙালনা য়ৈরবা
অহকপা অশাবা মূর্ত্তি কয়া, শক্তম কয়া
অমমমত ওইনা, অমমমত ওইনা
মথং-মথং, অসুম-অসুম
অমূক য়েংবা হোয়কই—
য়েংলি মিৎ কুপ্তনা, য়েংলি মিৎ কুপ্তনা
চংশিন্দুনা য়ে লি, মাহুনা য়েংলি।
অমুসু, থেংনখি, উখি
মহাভারতকী লানফমদা য়েক্লবশিংবু থুৎলাইনা নমহন্তুনা
হকচাংগী ঙমখৈদ জয় ভোয়বা মাই পাক্লবা অর্জ্জুনা
নিংহম্ববা লৈতনা থম্মোইদ চাওরবা লম্মেংনরিবা
অহুঙৈদগী—
(মভোম্ভ) ঙসিন্থ লোইত্রি
হম্মেংস্থ লোইখিরোই পৃথ্বীনা লৈরিমথৈ লোইখিরোই
থম্মোই য়াকমগী বীচার

কমান্না লেপকনি
খঙ্গোইগী লোইবা নাইত্রবা বাকৎপু।
মশুম অদুদ
মাশা ভাথরিবা মনা মাওত্রবা পাম্বীদুদ
লৈ পোম্লকখি, শাৎখি, অদুদৈ কেনখি
অসুম অসুম! অসুম! অসুম অসুম
লেকথরকখি চোথরবা মশাদু
উইথরক্‌খি
পংথরকখি
অসুম্বা ঙৈহাক উইরোল ভোরুম্বগা
মিৎকপ থোরক্লবা মতুংদ, মাইকৈ অমদা 'মুক
ওনশিন্দ্‌না য়েংখি
থোককম লৈত্রা খিখি
কদায়দা হকচাং চনবা মকম লৈরিগবা ?
কদায়দা অহাংবা থোকখিনবা মকম লৈরিগবা ?
কৱি থরি,
লোংন হায়রৈ
কোক খ্‌ৎ হাপ্পুনা
হায়গীদ ঐবু অসুম
হায়গীদ ঐবু অসুম
কদায়দনো ? কদায়দনো ? ঐনা নাম্বোকনবা ?
অসুম্বা চওরম্লিঙৈদ

উচিন নাচিগা অতোপ্পা মখোং অমা থেংনরে
চপ মুংনা থরে—
মসিদগী হল্লক্লরোই থন্দুনা
শৎলে পোয়োল তপ্পা,
হাংদোক্লে থোং
মসিনা হেক্না ওকল্লে 'মুক্না
ঈরৈ কয়ানা উংশিল্লবা ঈরাওখোল্লা থল্লবা ঈপাক
ঈপাক্কু উবদা সমুদ্রদগী হেক্না পাক্লবোই নিংই;
লৈথিন্নি ঈপাক্কু শরা শগ্না
থম্মোইগী অপাম্বা পেন্দবা কল্লক-মীহৌগী
ঈরৈশিংনা খুৎনক হাংদমখে, তাসিন তাসিন উংশিল্লিবা
লৈথিন্নি মিৎয়েংনা লাকশিনবা ওইহ্ৰ বাংমদা
থিল্লি.
লাম্থোক্লবদি ঈপাকসে, মানা নিংজরকপা কয় হু
শোয়দনা ফংগনি হায়বৈ আশাদ
হোনগে থল্লে হি, পাইথৎলে নৌ
নত্রগা — করিগুম্ব ওমত্রগা
উওামদা কোল্লগা লাম্থোক্লগে থক্লে।
থৌরাং পুন্নমক লোইল্লে.
য়েংকৈ, মশাগী কিভম, মথৌনা—
মশাগী কিভমনা চহি তম্বাই চল্লবা
মমি শাম্নবা কজবা মাংলবা হকচাংদ;

অমুকন্তু য়েংই ঈপাক্কুদ
অনিঙু চাংদম্লক্লবগা চঙক্লদুনা মুপাঙু
শিরবস্তু ঐ তেজোল লক্কু ঐ
চংশিনখি তুংবমদুনা অমবদুদ
অদুবু. য়েংলুরগা তাকশি শোমখি—
ঈপাকী রাংমদা লৌরবা-মঙাল
"মতম চুপ্নগী মুঙাইবা ফংগদৌবা মতৌ
লাম্বেংনবা লৈতবা; লৈতাবগী রাখল।"
কমথখি 'মুক ঙাথদুনা
ঙসাই ঙাথখিবা মনা মাওত্রবা পাম্বীদুদ॥
অদুবু চপশিল্লকপদি লেপ্তে
অন্নম অন্নম কুক কুক
চেকপল্লশিংদুনা অন্নম অন্নম কুক কুক
অতৎপা লৈতনা কুক কুক
মাইকৈ মরিমক্কগী কুক কুক
উপাল্ল লৈত্রে খল্লদুনা
অমুক্তা পোথাপ্রে উ-পাম্বীদুদ ঙাদুনা—
য়েংবদি লেপ্তে—
অন্নম্না অন্নম য়েংখিবদা
থেনরক্রে অমগা অমুক স্নথোংগী পুরোল
লৈজবী থাদুনা ঙমজবা উত্তূনা শৎলে পুরোল

চৎলগে নিংলে. মখো থাজথনে
হিংলে থল্লে, চেল্লগে নিংলে
অদুমু, নিংহন্নবি লৈবেন্দু উবদা
মাগী নৈরিবা থবগা পন্থুংকমগা য়েনবদা
থক্তামনা লেপখি
লেপ্তুনা য়েংগসি শুরুংগী লৈবেনথুগী
লমথাকম অচুদে, মিৎয়েংনা তবমথৈ
য়েংবদা উখি লোকচপকুপা অরুম অহুম
হুইদেম শানা খুজিন্নবি—
মুশিন মুশিন ইমম-মম, মিৎয়েংনা পনখি
লাওয়থদগী চন্না খুজিনখিবা. অমত্তা লৈবেল ।
(মতোঙ্ক খুংশাথর শাংনা হোন্নোক্লগা)
কমদোনা লপ্লেলসিদ খোঙসি থাংশিগে
থল্লিথৈগী তারক অসিদা
অকনবা মোংনৈ-মুংশিৎ অমগা লোয়ননা
নৈফুল-নৈচেন্নুং, নমখিবা থনম
শরু-ভারুগী মচেৎ-মচেৎ, মাহেখোল, ভেংথাখোল
চৈরকসিদ মীগী মশক মাত্রিবা
মথাগী তথাইনা মীওইবা
মথককী তথাইনা শাওইবা
মীয়োল-শায়োল পূনা ভাংবা অমনা
অহুম অহুম মাগী মাইকৈ তনা

শৈরেং/২/৭৩

অসুম অসুম মাগী মাইকৈ ভম্না
কিমমপ্রদুনা থোঙ থিংজিনরে
পৌরোল থাজিনরে
হায়গুম মূকম নুপাহু
চেকপলনা ইথা থাজিনবা লানবন্দুনা
চেকপলনা ইথা থাজিবদুদ অমুম্
উপাই নৈত্রদুনা কমথখি
কমথখি, তুমিন্না চুবা মেৎতুনা
ঙাইখি পাবীদুদ হায়গী
অদুবু
লানবনদুগী চেকপলনা চপশিল্লকপদি
থক লেপ্পা নৈতে
থর-থর । অসুম অসুম
মমৈথংদদি অসুম অসুম চপশিল্লকপনা
অসুম অসুম চপশিল্লকপনা
লানবলগী অকোয়বা চেকপল দুনা
ভপ্রগী ফুট ১০০গী অকোয়বভমক ঙাইশিল্লরে ।

থকদি ঙমটে নৈভনা রাংই—
পাইথংপা ঙমদে
থাদ ঙমদৈ নৈভমা মুথখি—
তৌবগী লোইদে—

শৈরেং/২/৭৬

কদোমদনো ? কনায়দনো ?

কদোমদনো ? কনায়দনো ?

লেপ্পনা চপশিন্নরুবসিদা লাওরক্‌ই খোন্নাও থাদুব
লৈজবী থাদুনা, মখনাও শেগাইমখৈ
কন্না-কৌনা লাওনা পৃথ্বী শেগাইমখৈ
ত্রজ ১০০০ তাথরকপৈ মখোলপা মা॥
ঐতদি হায়রুনা 'ঐতদি' ।
অদুবু লেপ্পনা চপাশিন্নরকই
লেপ্পনা অসুম চপাশিন্নকপনিনা লেপ্পনা
লেপ্পনা চপশিন্নকপনিনা লেপ্পনা
পুন্সিগী মিৎয়েংদু অসুম ২ খুজিল্লক
কুট ১০০দগী ১০´ ৯´ ৮´ ৭´ ৬´
৯´ ৮´ ৭´ ৬´

অসুন্না লেপ্ন লৈতনা চপশিন্নকপসিন
কোয়শিন্নরীবা চেকপল খুদিংমন্না
অমগা অমগা খেন্নাইনয়রুনা
নিংখাইরকখি লাময়ন অদু
পুক্নিংনা, প্রাংদিংলক্লবা সুপাদুগী
ইতিহাসদু নিংখাইরকপদা য়াওখি
অদুন্না লোইশিনখি মী-মীগী ইতিহাস
মতম অদুদগী ইহাং হাংখি মকমদু
সখোং অনি কংন-কংনা
হোৎনবা কিদুনা খোক্‌খিদে
—অদুমক শিখি লান্নবন্দুৎ ॥

— [illegible] কোংখ্রা বই —

থবোবাই-ভেংখা
কেতুকী
বাংলা
কনানা হারবিশনি
কনাগনো হকপনা
চিংখাং
খুনং
শীহু
কৌওবী
বৈরোচৈও